## ‘ফৌবৈ মৈ থারম্বশিং চৈরাক পীয়ু’

ইম্ফাল, নবেম্বর ২০(ঐচ এন এস): থৌবালগী মফম অমা অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ঙাইখোং খুনৌদা লম্বীগী মতাইদা পৈদুনা থম্বা ফৌবৈশিং মৈ থাদোক্লগা মাঙ তাকহল্লম্বগী থৌদোক অদু মণিপুর লৌমী মরূপনা তরাইনা লৌদে হায়রি।

মণিপুর লৌমী মরূপকী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মৈ থাদোকপদা চেন্নবা মীওইশিং অদু চীঙাক মাঙহনবগী চপ চাবা মরাল লৈবতা নৎতনা ঈশিং ঈচাওনা মাঙহনবা য়াবা মাঙহল্লবা মতুংদা চহী ১গী চানবা চীঙাক ফংনবা ৱানা হোৎনজরিবা লৌমী ইমুং অমগী পূন্সিদা হেন্না অৱাবা নংহন্নবগী অচৌবা মরাল লৈরে। মরম অদুনা মরাল লৈরবা মীওইশিং অদু মরী লৈনবা ওঠোরিটিনা ফারগা চৈরাক পীনবা হোৎনগদবনি। অৱাবা নংলবা লৌমী ইমুংশিং অদুদা লৈঙাক্কী তেংবাং পীবীনবা ৱাফমসু ফোঙদোরকখি।

## ফম্পাক খূভম উৎলুগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২০(ঐচ এন এস): তরামাথোই শুবা দিল্লি ইন্টর-নেসনল আর্ট ফেষ্টিবেলদা একাদেমি ওফ পর্ফোর্মিং আর্টস দ্রামা দি থ্রোন উৎনবা ফেষ্টিবেল অসিগী দিরেক্টরনা খঙহল্লক্লে। দ্রামা অসি নোংখোং কোইবা ৱারী পরিংদগী ফম্বাল কোয়খিবগী তাঙ্কক অদু মালেমগী মীয়ামদা উৎলুগদবনি। থা অসিগী ৪ গী নুমিদাং পুং ৭ তাবদা ন্যু দিল্লিগী কোপর্নিকস মার্গতা লৈবা এল জি টি ওদিটোরিয়মদা উৎকনি। একাদেমি অসিগী আর্টিষ্টশিং থা অসিগী ২০ দা ন্যু দিল্লিগীদমক্তা ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়না একাদেমি ওফ পর্ফোর্মিং আর্টসকী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হাংয়রি।

## মীফম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২০(ঐচ এন এস): জেদ ঈ ও জোন-১গী মখাদা লৈবা ইলিমেন্টরি স্কুলশিংগী হেদ মাষ্টরশিংগী ওইবা মীফম অমা থা অসিগী ২৪গী নুংথিল পুং ১ তাবদা জেদ ঈ ও জোন-১গী এ এম ঈ এস টি এগী ওফিসতা পাঙথোক্কনি। মীফম অসিদা থা ১১গী মিদ দে মিলগী চাক থোংখিবগী শেল ফংদবগী, তরেৎশুবা পে কম্মিসনচিংবা ৱাফম কয়া খন্নগনি হায়না এ এম ঈ এস টি এ জোন-১গী পব্লিসিটি সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## লিগেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২০(ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওঠোরিটিগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওঠোরিটি থৌবাল অমদি য়ুনাইটেদ দিসএবল্ড পার্সন্স দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগা খূৎ-শম্নদুনা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা থা অসিগী ১৭ তা নিংঙোম্বম প্রাইমারি স্কুলগী হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা বিনি ঙাঙোম, জজ, ফেমিলি কোর্ট থৌবালনা চীফ গেষ্ট ওইখি। এদভোকেট কে ঐচ ইন্দ্রমনি অমসুং টি রোমিওনা রিছোর্স পার্সন ওইনা রাইট টু এদ্যুকেসন এক্ট অমসুং সাইবর ক্রাইমগী মরমদা ৱা ঙাঙখি হায়রি।

## চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ ফেষ্টিবেল

ইম্ফাল, নবেম্বর ২০(ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিস চান্দেলনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল য়ুঠ ফেষ্টিবেল চহী ১৩ দগী ২৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নহাশিংগী ওইনা থা অসিগী ২৭ তগী ২৯ ফাওবা চান্দেল হেদ ক্বার্টরসতা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কনি। থৱায় য়াওবা য়ুঠ ক্লব অমসুং ভিলেজশিংনা ওফিস অসিদগী অকুপ্পা মরোল খঙবা য়াগনি অমসুং ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎনা থা অসিগী ২৩ ওইগনি। য়ুঠ সেন্টরগী ক্যেরটেকরশিংনা দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস চান্দেলগী ওফিসতা থা অসিগী ২২দা শোয়দনা য়ৌরক্নবা দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসর চান্দেলনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## দল্লিয়ু ৱাই ফারে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২০(ঐচ এন এস): নার্কোটিক্স এন্দ এফেয়র্স ওফ বোর্দর পুলিসনা মাঙজৌননা পাউ ফংবদগী থা অসিগী ১৮গী নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদা ত্রোংলাউবী কৈথেলদা থিবা-হুম্বগী থবক চথুবদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এল বাইফাই ভেঙ লুৱাংশংবমদা লৈবা মাঙ্গিনথাং এলিয়স হেগিন (৩৮) অপোকপা নেখুপতগী দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ২০,০০০, আধার কার্দ অমা অমসুং শেল ওইনা লুপা ৫০০০ ফাগৎখ্রে। এন এ বি পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা মখা তানা থিজিন-হূমজিনবগী থবক চথুরি হায়না সুপরিটেন্দেন্ট ওফ পুলিস/এন এ বিগী পি আর ওনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# এক্তা পরিষদনা শীন্দুনা ফুট মার্চ পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ২০(ঐচ এন এস): এক্তা পরিষদ মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা ঙসি হোমষ্টিদ রাইটস এন্দ সষ্টেনেবল এগ্রিকলচরগী পব্লিক হিয়ারিং অমসুং ফূট মার্চ খুরাইগী পুথিবা লম্পাক্তগী লমথাদুনা চৎখ্রে।

ইপুথৌ নাওথিংখোং পাখঙবা লম্পাক থাংমৈবন্দদগী হৌখিবা ফূট মার্চ অদুগা মরী লৈননা য়ুঠ কেম্প অমসুং ফূট মার্চ অদুগী কনভিনর ঐচ সুর্জিৎ মীতৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, এক্তা পরিষদ মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা লমদমসিগী য়েলহৌমীশিংগী মশাগী হিংনবগী, লৈনবগী য়ূম-য়ূম্ফম অমদি মশাগী লৌ উনবা লৌফম লৈজদ্রবা লৌমী মীয়ামগী অপূনবা ঈহৌ অমা ঙসি মীওই ৩,০০০ লোম্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপগা লোয়ননা লৈঙাক অসিগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

খোঙচৎ অদুদা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ১২গী মনুংদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা খুঙ্গং ৬১ দগী লৌমী-শিন্মী কয়ানা শরুক য়াখি। লৌমী-শিন্মী কয়ানা নোংমগী শীন্থা লেপ্তুনা ইশা-ইশাগী রাইট ওইনা পাট্টা ফংফম থোকই হায়বা খোল্লাউ কয়া লাউবগা লোয়ননা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিনখি।

খোঙচৎ অদু লোইরবা মতুং খুরাই পুথিবা কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী ওইবা মীফম অদুদা লমদম অসিগী ইনভাইরোন-মেন্টেলিষ্ট আর কে রঞ্জননা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরদা পাট্টা পায়দবা অসুক য়াম্না লৈরমগনি হায়বা থাজরুদে। লোয়ননা খুঙ্গং ৬০ মীওই অসুক য়াম্না লৈরম্বসিদি মণিপুরদা পাট্টা পায়দবা মীওই কয়া লৈরমগদগে হায়বদু খল্লুবদা অকিবা পোকই। লোয়ননা মখা তারকপা খোঙজং কয়া অমসু চঙশিনবা মথৌ তারি। চঙশিল্লক্কদবা খোঙজংশিংদা শরুক য়াগনি হায়না ফোঙদোক্লমখি।

তোঙান-তোঙানবা খুঙ্গং কয়াদগী লাকপা মীওই কয়ানা মশাগী মিংদা পাট্টা পায়দবগী খূদোংচাদবা অমদি ফংফম থোকপা খূদোংচাবশিং ফংদবগী পেন্দবা কয়া ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈঙাক্কী থৌশিলদা পেন্দবা কয়া মীৎতগী পী তাদুনা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লকখি।

এক্তা পরিষদকী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট পি ভি রাজাগোপালমনা ফোঙদোক-খিবদা মালেমগী মফম কয়াদা মীওই মিলিয়ন কয়া ঙসিসু য়ূম অমদি য়ূম্ফম লৈতবা মীওই কয়া লৈরি। মসিগীদমক মীয়ামগী অপূনবা ঈহৌ খোঙজং কয়া চঙশিনবা মথৌ তারি। লোয়না লোয়ননা খোঙচৎ অসিবু মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙমহনবগীদমক লৈঙাক্কী থৌমীশিং অমদি মীয়ামদসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা ৱারেপ কয়া লৌখি। মদুগী মনুংদা য়াওরিবশিংদি, মণিপুর লৈঙাক্কী লুচিংবা ওইরিবা চীফ মিনিষ্টরগী মফমদা ৱারেপশিং অদু য়াওবা চেরোল অমা পীশিনবা, পীশিনগদৌরিবা দিমান্দশিং অসি ঙসিদগী থা ৪ ফাওবগী মনুংদা থবক্তা ওন্থোকপীরক্নগদি য়ূম লৈজদবা পাট্টা লৈতবা মীওই লোয়নমক ইম্ফালগী মফম অমদা লৈবগা লোয়ননা পান্দম ফংদ্রিবা ফাওবা য়ূমদা হন্দবা হায়নসু য়ানখি হায়রি।

## এস কুল্লা ৱিমেন্স কোলেজদা নেসনল সেমিনার হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২০(ঐচ এন এস): য়ু জি সীনা স্পোন্সর তৌবা নুমিৎ নীনিগী ওইবা দি রিপ্পরকুসন ওফ কনফ্লিক্ট মেনেজমেন্ট : ষ্টেট ওফ পেন্দোমোনিয়ম এন্দ একাদেমিক অপ্সর্টেন্টি হায়বা নেসনল সেমিনার অমা এস কুল্লা ৱিমেন্স কোলেজগী কনফরেন্স হোলদা ঙসি হৌদোকখ্রে।

হ্যুমেন রাইটস ষ্টদি সেন্টরনা শীনবা সেমিনার অসি সোসল ৱেলফ্যের এন্দ দিভলপমেন্ট সেন্টর ইম্ফালগা খূৎশম্নদুনা পাঙথোকপনি। সেমিনার হৌদোকপগী থৌরমদা প্রো. এন খাগেন্দ্র ভাইস চাঞ্চেল্লর মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর, প্রো. জ্যোটি রাজ পাথক, হেদ দিপার্টমেন্ট ওফ পোলিটিকেল সাইন্স, বোরোলেন্দ য়ুনিভর্সিটি, প্রো. কে এস ঐচ রাজেন্দ্র, হেদ দিপার্টমেন্ট ওফ সোসিওলোজি, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, ডো. ধনবির লাইশ্রম কাউন্সিল্লর, ইগনৌ, ডো. এন জয়কুমার, প্রিন্সিপাল এস কুল্লা ৱিমেন্স কোলেজ অমসুং এন ইবোমচা প্রসিদেন্ট গভর্নিং বোদি এস কুল্লা ৱিমেন্স কোলেজনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

রিছোর্স পার্সন ১৩ না টেক্নিকেল সেসন অহুমদা চে পাথোক্কনি অমদি অৱাং-নোংপোক লমদমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদগী দেলিগেট ১২ য়াওনা পূন্না দেলিগেট ৮৩ না থৌরম অদুগী নুংগী ৱারোল পীরদুনা ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী কনভিনর ডো. এল মুহিন্দ্রোনা হায়খি, একাদেমিক অপ্সর্টেন্টি হায়বসি ষ্টেট অসিদা মতম শাংনদগী মায়োক্নদুনা লাক্লি। মসিগীদমক্তা কনফ্লিক্ট মেনেজমেন্ট হায়বসি তঙাইফদে। শীন্থা লেপ্পা, বোইকোট, ষ্ট্রাইকশিং অমসুং বন্দনচিংবা য়াম্না তোয়না তৌবনা একাদেমিক কেলেন্দরদা তৎতনা অপনবা থোকহন্নবগী মরম ওইরি হায়বসি পূম্নমক্না খঙই। হীরম অসিগী মতাংদা য়াম্না লুনা খঞ্জিনবগী মতম অদু থেংমনখ্রে।

হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসি লাকশিন্দুনা ষ্টেট অসি ওন্থোকপা ফীভম অমদা লৈরবসি অচুম্বা মায়ওনদা মরাইবক লেপচনবা হোৎনগদবনি। অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী মহৈরোয়শিংনা মহৈ-মশিন তম্বদা পূক্নিং চঙদুনা মখোয়গী পান্দম ফংনবা হোৎনরি। অদুবু ঐখোয়গী মহৈরোয়শিংনা কনফ্লিক্ট মেনেজমেন্ট মায়োক্নবদা অরেম্বদা পাঙ্গল ৱাহন্নবগী মরম ওইরি।

## মপি কাউন্সিল অমসুং হাও মী রিছার্স গিল্ডনা মখেল খুলগী মীয়ামগা উনদুনা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ২০(ঐচ এন এস): মণিপুর পিছ এন্দ ইন্টিগ্রিটি (মপি) কাউন্সিলনা মমাঙদগী চথুদুনা লাকপা থৌরম অমা ওইরিবা *সী দি প্লেস এন্দ মীট দি পিপল* হায়না মিংথোনবা থৌরম অসি হাও মী রিছার্স গিল্ড মণিপুরগা খূৎশম্নরগা থা অসিগী ১৯ দা সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মখেল খুলদা পাঙথোকখ্রে।

মপি কাউন্সিলগী সেক্রেটরি এম নেতাজিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থৌরম অদুদা মপি কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট এম বিমোল মীতৈ, হাও মী রিছার্স গিল্ডকী সেক্রেটরি দল্লিয়ু সিংলাই, মখেল খুলগী নিংথৌ এন সালিয়ু অমদি মখেল খুলগী ওঠোরিটিগী অহল এ মকাবোনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি। মখেল খুলগী পুৱারীগা মরী লৈনবা ৱারী কয়া অমদি খুলগী চাউখৎ থৌরাংগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি।

মখেল খুল অসি এম এল এ, এল দিখোগী ময়ূম লমদম ওইরিবা লোয়ননা তাদুবীদগী কিলোমিটর ৩ লোম মমাঙ পাংনা চঙশিল্লগা মাও ফুরুপশিংনা খুন্দাবা খুল অমনি। তাদুবীদগী উখুল লোমদা চৎখিবা য়াবা নেসনল হায়ৱেগী মনাক্তা লৈরিবা লম্বী অসিগী মপান্দা লৈবা ফজরবা খুল অমনি। চাওরাক্লা মীওই ৩,৮০০ রোম খুন্দারি।

মখেল খুলগী নিংথৌগী য়ূমগা হেক থংননা লৈরিবা দি সেক্রেট বনয়ান ট্রি অসিগা পুৱারীগা য়াম্না নক্নবা ৱারী কয়া লৈরি। লমদম অসিদা মীওইবনা খুন্দাদ্রিঙৈ য়াম্না ঙল্লিঙৈ নীংশিংবা থোক্রবা মতমদগী হৌনা খোংনাং পান্বী অসি হৌরমদুনা মখোঙ অসিদা ইরমদম অসিগী মীওইবা খুন্নাই অসি পোল্লক্তুনা হৌরকখিবনি হায়না থাজনরি। মরম অদুনা খোংনাং পান্বী অসি নীংথিনা ঙাক শেন্দুনা থল্লি অমসুং লৈঙাক্কী মায়কৈদগীদি য়েংশিনবীবগী মমি তাদ্রি।

খোংনাং পান্বী অসিগী মশা অমা তেক্লবদি মায়কৈ অদোমদা লৈরিবা মীওইশিং অদু অৱা-অনা তাগল্লি হায়না থাজনরি। মফম অসিদা ষণ পূনফম হায়না খঙনবা নুঙজাও অমা লৈরি, অতোপ্পা কায়না নুঙ হায়না নুঙজাও অমসু নীংথিনা ঙাক শেন্দুনা থল্লি। হায়রিবা নুঙজাওশিং অসিগা পুৱারীগা য়াম্না মরী লৈনৈ হায়না ৱাফম কয়া ফোঙদোরক্লি।

মখেল খুলগী লম্বী-থোং কয়া ফত্তবনা চৎথোক-চৎশিন্দা খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। মরম অদুনা লম্বী-থোংশিং নীংথিনা শেন্বীনবা লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি। অনা-লায়েংগী মরমদসু থোইদোক্না খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। লৈঙাক্না হীরম অসিদা য়েংশিনবা মথৌ তারি। মহৈ-মশিন তম্বগী লমদসু অৱাৎপা কয়া লৈরি। হৌগৎলক্লিবা অঙাংশিংনা মহৈ তম্বদা খূদোংচাদবা কয়া লৈবনা মহৈ-মশিন তম্বদা চঙবা ইনফ্রাষ্ট্রক্চরশিং লৈহন্নবা ৱাফম থল্লক্লি।

খুল অসিদা পুথোক্লিবা মহৈ-মরোং অমদি মনা-মশিং কয়া অসি নীংথিনা লল্লোন-ইতিক তৌবদা খূদোংচানবা য়েংশিনহন্নিংবগী অপাম্বসু খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরক্লি। মফম অসিদা লাকপা মীশিংগী লৈফম-চাফমগীদমক মীথুংশঙ অমসু শাবীনবা লৈঙাক্তা তকশিল্লখি।

পূম্নমক অসিগী মথক্তা মপি কাউন্সিলনা খুল অসিগী মহুৎ শীন্দুনা লৈঙাক্তা চীং-তক থোং মান্ননা চাউখৎপা য়ানবা অমদি মফম অমগা-অমগা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা অৱাবা অমদি খূদোংচাদবা কয়া লৈরিবা অসি কোকহন্দুনা ইরায় লায়না পাউ ফাওনদুনা অমত্তা ওইনা নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নদুনা হেন্না চাউখৎপা ইরমদম অমা ওইনবা হোৎনরিবা অসিদা মীৎয়েং চঙবীদুনা থোং মান্নবা খুন্নাই অমা ওইনবা হোৎনবদা মতেং পাংবীনবসু ফোঙদোরক্লি।

## অসাম রাইফলসনা এন এস সী এন (আই-এম) লুচিংবগী ময়ূমদা রেইদ তৌখিবদু য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

দিমাপুর, নবেম্বর ২০(ঐচ এন এস): দিমাপুরদা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা থোকখিবা এ আর অমসুং এন এস সী এন (আই-এম)গী থৌদোক্কী মতুংদা নাকল অনীদগী লেপ্তুনা অৱাই-অখুম তৌনরক্লি। এন এস সী এন (আই-এম)গী য়ু টি ১ সেন্ট্রেল এদমিনিষ্ট্রেটিব ওফিসরগী য়ূমদা থা অসিগী ১৮ গী অহিংদা অসাম রাইফলসনা রেইদ চথুখি। মদুদা সেন্ট্রেল এদমিনিষ্ট্রেটিব ওফিসর অসিগা মরী লৈননা অতোপ্পা মীওই অনী খূৎশু-খূৎলায়শিংগা লোয়ননা ফাগৎখি। রেইদ অদুদা দ্রগসু ফংই হায়না এ আরনা মরাল শীরকপগা লোয়ননা ফারক্লবা সী এ ও অমসুং অতোপ্পা মীওই অনী খূৎশু-খূৎলায়শিং অমদি দ্রগকা লোয়ননা পুলিসতা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

পুলিসতা কমপ্লেন্ট তৌরম্বদা ৩২-এ আরনা সিগ্নেল বষ্টিদা রেইদ চথবদা পোৎলমশিং অদু ফাবা ঙমখিবনি। নুমিদাংগী পুং ৮ দগী হৌনা পুং ২ রোম চঙনা রেইদ অদু চথুখি হায়রি।

৩২-এ আরনা পীরম্বা কমপ্লেন্ট অদুদা এন এস সী এন (আই-এম)গী কাদর খরা মীচমশিংনা লৈরিবা মফমদা লোৎতুনা লৈরে হায়বা পাউ মাঙজৌননা ফংবদগী থিবা-হুম্বগী থবক অদু চথুখিবনি। মদুদা এ কে ৫৬ রাইফল অমা, মেগজিন অমা, পোইন্ট ২২গী রাইফল অমা, মেগজিন অমা, এ কে ৫৬কী কাপ্পা য়ারিবা মরূ ১৬. পোইন্ট ২২ রাইফলগী মরূ ৭৬ য়ূম অদুদগী ফাগৎপা ঙমখি। ফার্মাস্যুটিকেল দ্রগ খরা য়াওনা ফেক্ট ইন্দিয়ন করেন্সি নোট ১৪, ষ্টাম্প পেপর অমসুং পোইন্ট ২২গী লাইসেন্সসু ফাগৎপা ঙমখি হায়রি।

এ আরনা য়ূম অদুদগী ফাগৎলিবা মীওই অদু দ্রগ য়োনবদা চেন্নবা মীওই ওইগনি হায়না মরাল শীরক্লি।

অমরোমদা এন এস সী এন আই এমনা এ আরনা মরাল শীরক্লিবশিং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা সীজ ফায়র গ্রাউন্দ রুলশিং থুগায়রে অমসুং য়ু টি ৱানগী সী এ ওবু ফাজিনবগী থৌওং অদু রুল থুগায়বনি হায়না এন এস সী এন (আই-এম)গী সী এফ এম সীগী কনভিনর ক্রিবো চৱাংনা ফোঙদোরকখি হায়রি।

সী এ ও হায়বসি থৌদাং লৈবা মীওইনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা অদুগুম্বা রেইদ তৌবগী থৌওং অদু য়ানিংদে। য়ূম অদুদগী দ্রগকা লোয়ননা ফাই হায়রিবা অদু এন এস সী এন (আই-এম)দা মরাল শীজিনবনি। ট্রাফিক্কিং তৌনবা নত্তে। দ্রগশিং অদু কাউন্সিল হেদ ক্বার্টরদা মাঙহন্নবা দিপোজিট তৌখ্রে হায়রি। ফারকখিবা এ কে রাইফল অদুগী মতাংদা সী এ ও অদু কার্দ হোল্ডরনি অমসুং গ্রাউন্দ রুলগী মতুংইন্না খূৎলায় পায়বগী অয়াবা পীরি। এ আরনা সী এ ও অদুগী আইদেন্টিটি কার্দসু মৎখ্রে হায়না সী এম এফ সীগী সেক্রেটরিনা মখা তানা ফোঙদোকখি। আই দি কার্দ অদু য়ানরবা গ্রাউন্দ রুলগী মতুংইন্না ইস্যু তৌবনি। অদুবু কার্দ অদু এ আরনা অশেংবা নত্তে হায়নসু মরাল শীখি হায়রি।

## রিফোর্মগী ১১শুবা মপোক নুমিৎ লাক্লিবা দিসেম্বর ৩ দা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২০(ঐচ এন এস): রিছার্স ফোরম মণিপুরগী ১১শুবা মপোক কুমওন থা অসিগী ২১না লাকপদা কংলৈপাক অসিদা লৈরিবা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রিফোর্মগী জেনরেল সেক্রেটরি সুখাম প্রেমজিৎনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ইন্দিয়াগী অৱাং-নোংপোক চিদায়দা চহী ৫০০০গী মথক্তা হাইনা হুন্না মশাগী লৈঙাক্লোন, শেন্মীৎলোন, নাৎকী ফজরবা লৈতেং কয়াগা লোয়ননা ঙসি ফাওবা লৈরকখিবা ফুরুপচা পূম্নমক্না মখা তানা অদুমক লৈঙাকখিগনি অমদি লৈমিন্নবগী তঙাইফদবা অদুগা লোয়ননা ঙসিসু মামেলগী মীৎমাঙদা খোঙফম অমত্তা ওইনা লেপমিন্নরি হায়দু উৎলি।

চেন্থরক্লিবা খুন্নাইগী খোঙজেল অসিদা মুৎপা য়াবগী ফীভম অমদা কংলৈচাশিং লম্মুক্নবা হায়বা মতম অদু হৌজিকমক ওইরি। মসিগী হৌরকফমদি কংলৈ ফুরুপ ঐখোয় মশেলগী মরক্তা অমগা-অমগা থাজনদবদগীনি হায়বসি ময়েক লারবা য়েৎননিংঙাই লৈত্রবা ৱাফম অমনি।

মতম লৈরিঙৈদা কংলৈ ফুরুপ ঐখোয় মশেল অমগা-অমগা পাউ ফাওদোক্নদুনা পূক্নিং চেৎনা মণিপুরগীদমক খোঙফম চেৎনা লেপমিন্নরসি হায়বা ৱাফম অসি পাউজেল ওইনা অমুক হন্না পীজরি হায়রি।থা অসিগী ২১ অসিদা রিফোর্মগী মপোক নুমিৎ পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু লৈবাক্কী অথিংবা লৈবনা লাক্লিবা দিসেম্বর ৩ গী অয়ূক পুং ১১ তাবা মতমদা লংথবালদা লৈবা তাইবং মহৈকোলগী সেন্টর ফোর ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপ এন্দ স্কিল দিভলপ-মেন্ট (সী ঈ এস দি)এম য়ুগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোক্কনি।

নুমিৎ অসিদা লৈবাক্কী থবক থৌদা কয়া তৌবীরিবা লূপশিংনা অপনবা অমদি অথিংবা পীবীদনবসু ফোঙদোরক্লি।

## নুমিৎ হুম্নি চথুগদবা এম জি এন এ আর ঈ জি এগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ২০(ঐচ এন এস): এম জি এন এ আর ঈ জি এ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা শিল্লগা ঙসি থৌবাল অমদি ককচীং সী দি ব্লোক্কী মখাদা লৈবা জিল্লা পরিষদ মেম্বর অমদি প্রধানশিংদা এম জি এন এ আর ঈ জি এ ইমপ্লিমেন্টেসন তৌবগী অমদি ফাইনান্সিএল ইয়র ২০১৮-১৯ গী লেবর বজেট শেম্বগা মরী লৈননা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা চথুগদবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি থৌবাল দি সী কমপ্লেক্সতা হৌদোকখ্রে।

থৌবাল দি সী কমপ্লেক্সকী ইলেক্সন কাউন্টিং হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরম অদুদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরসু ওইরিবা দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর এল নবকিশ্বর, থৌবাল জিল্লা পরিষদকী অধক্ষ হসিনা বেগম, উপ-অধক্ষ টি নুংশি, ককচীং জিল্লা পরিষদকী অধক্ষ পি ঐচ জিতেন অমদি উপ-অধক্ষ এম দি নজিমুদ্দিননা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদু করিগীদমক পাঙথোক্লিবনো হায়বগী মতাংদা শন্নকপা ৱারোল থম্লদুনা ট্রেনিং কোওর্দিনেটর এস রঞ্জনানা হায়খি, এম জি এন এ আর ঈ জি এ অসি মপূং ফানা মীয়ামদা য়ৌহন্নবা হোৎনবদা পঞ্চায়টকী থৌদাং য়াম্না চাওই। পঞ্চায়টকী মীহুৎশিংনা এক্ট অসিগী মপূং ফাবা লৌশিং লৈত্রবদি মীয়ামদা কান্নবা পীবা ঙল্লোই। মরম অসিনা এক্ট অসিগী মতাংদা পঞ্চায়টকী মীহুৎশিংদা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা ট্রেনিং পীগদবনি হায়খি।

থৌবাল অমসুং ককচীং সী দি ব্লোক্কী মখাদা লৈবা জিল্লা পরিষদ মেম্বর অমদি প্রধানশিংনা শরুক য়াখিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুগী অহানবা নুমিৎতা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজকী ষ্টেট ট্রেনিং কোওর্দিনেটর কে ঐচ ইবোচৌ, দি আর দি এ থৌবালগী প্রোজেক্ট ওফিসর কে ঐচ মুহিন্দ্রোনা রিছোর্স পার্সনশিং ওইনা ৱা ঙাঙখি হায়রি।

## য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২০(ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কৈবী সনাপাৎতা লৈবা য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা অঙাংশিংগীদমক্তা মতেং পাংবীরম্বশিংবু য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোম মেনেজিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট য়াঙ্গৈাই পিবানা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

থা অসিগী ১৭ তা থৌদাম ময়াই লৈকায় থৌবালদগী লৈখিদ্রবী থৌদাম ওংবী ইবেমহলগী ১৬শুবা কুমওনগা মরী লৈননা থৌদাম ওংবী ইবেমহল দেবী মেমোরিএল ট্রষ্টকী মেম্বরশিং, লৈখিদ্রবীগী মপুরোইবা থৌদাম ভুবন অমসুং মাগী ইমুং-মনুংনা মীতৈ চেঙ বেগ ৫, আলু বেগ ১, হৱাই, তিলহৌ অমসুং ষ্টেসনরি আইটেমশিং তেংবাংবীরমখি। লোয়ননা নুমিৎ অসিমক্তদা লৈখিদ্রবা আর কে সনাতোম্বা সিংহগী ১৫রক শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা লৈখিদ্রবগী লোয়নবী আর কে বোদেশ্বরিনা অঙাংশিংগী স্বেটর ৭, জোগ্গিং সর্ট ৫ অমদি অচা-অথকশিং তেংবাংবীরমখি হায়রি। থা অসিগী ১৯ দা কংলা ফেসবুক গ্রুপকী মঙাশুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক্তা চেঙ বেগ অনী, আলু বেগ ১, হৱাই কে জি ২০ অমদি বোরি কেজি ৫ তেংবাংবীরম্মী হায়রি।

## বাইওকেমিষ্ট্রিগী এদমিসন টেষ্ট

ইম্ফাল, নবেম্বর ২০(ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ বাইওকেমিষ্ট্রিগী প্রি-পি ঐচ দি এদমিসন টেষ্ট থা অসিগী ২৭ কী নুমিৎয়ুংবা মতুং পুংখায় চৎপদা দিপার্টমেন্ট অসিদা পাঙথোক্লগনি। এদমিট কার্দ থা অসিগী ২৩ দগী হৌনা পীগনি হায়রি।

## সস্পেন্দ রিভোক তৌরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২০(ঐচ এন এস): ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী ঙসি ফমখিবা ষ্টেট সেক্রেটরিয়েটকী মীফমনা এ আই এস এফ মণিপুর ষ্টেটকী থবকশিং য়েংশিল্লবা মতুংদা ষ্টেট প্রসিদেন্ট এন সনাহল কোংবা উচেক্কোনদা লৈববু মতম খরা সস্পেন্দদা থম্লুবা অদু মুন্না থিগৎলবা মতুংদা অরানবা লৈরমদবদগী সস্পেন্দ ওর্দর অদু রিভোক তৌখ্রে অমসুং খুদক্তগী প্রসিদেন্টকী থৌ এন সনাহলনা পুবা হৌখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, এ আই এস এফ লিলোং জোনেল কাউন্সিলগী থৌ পুবশিং খনখ্রে। কুমজা ২০১৭-১৯গী থৌ পুনবা খল্লবশিং অদুদি, এন এম নদরুল মুনরনা প্রসিদেন্ট, দোলাইপাবম নুরুল হকনা সেক্রেটরি অমসুং এম কে অখিল অহমদনা ফাইনান্স অমসুং সায়দ ইমটিয়াজ হুসেননা পব্লিসিটি সেক্রেটরি ওইনা খনখ্রে হায়না ষ্টেট সেক্রেটরি এ আই এস এফ, কে ঐচ রামেশ্বরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## মালেম অইকোলগী জি বি মীটিং

ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ : মালেম অইকোল, খাবম লমখায়গী ২৪শুবা এন্যুএল জেনরেল বোদি মীটিং থা অসিগী ২৬ কী অয়ূক পুং ৮.৩০ তাবদা অইকোলগী ওফিসতা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

## অনীশুবা নুপীলান নীংশিং লমজেল পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২০(ঐচ এন এস): উরিপোক অপূনবা নুপী লূপনা শীন্দুনা উরিপোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি খক্তগী ওইবা ওপন নুপীলান নীংশিং লমজেল অনীরকশুবা ওইনা থা অসিগী ১২গী অয়ূক পুং ৭ তাবদা কংলাদগী লমথারগা ইপাথৌকোক ক্লবতা লমথুংফম ওইগনি। লমজেল অসিদা উরিপোক এ সীগী মনুং চন্না লৈরিবা মৌ অমদি নুপীশিংনা শরুক য়ানবা ৱাফম ফোঙদোকপগা লোয়ননা লমজেল অসিগী অহানবা মনা লুপা ৫,০০০, অনীশুবা মনা লুপা ৩,০০০ অমসুং অহুমশুবা মনা লুপা ১,০০০ ওইগনি হায়না উরিপোক নুপী অপূনবা লূপকী কনভিনরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## থৌ পুবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২০(ঐচ এন এস): ওল মণিপুর তম্মী-চীংমী অপূনবা নুপী লূপকী জেনরেল বোদি মীফম অমা উরিপোক য়াম্বেম লৈকায় কম্ম্যুনিটি হোলদা থা অসিগী ১৯ দা পাঙথোক্তুনা কুমজা ২০১৭-২০২০ গী থৌ পুগদবশিং খনখ্রে। এস মোমোন লৈমবু প্রসিদেন্ট, ফুরাইলাৎপম সনাহনবীবু সেক্রেটরি জেনরেল, ৱাই মোমোনবু পব্লিসিটি সেক্রেটরি ওইনা খনখ্রে হায়রি।

## কাদাগী অনৌবা য়ুনিট হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২০(ঐচ এন এস): কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগ এন্দ অলকোহোল (কাদা)না লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঙাক ওইবা পোৎলমশিং মরূ ফংনা মাঙহন্নবা পান্দমদা লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লকপা খোঙজং অসি মপাঙ্গল কনখৎ-হন্দুনা মীয়ামগা লোয়ননা থবক থৌরম কয়া পাঙথোকপগী শরুক অমা ওইনা থা অসিগী ১৯ দা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী সগোলবন্দ অমুদোন মখা লৈকায়দা ময়াই কাবা চীঙাক থিংনবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদু হিজম প্রিয়োকুমার, প্রসিদেন্ট ইন-চার্জ কাদানা প্রিসাইদ তৌখি। মীফম অদুনা কাদা সগোলবন্দ অমুদোন অখাম লৈকায় পন্থক-পনখা য়ুনিট রিফোর্ম তৌবা হায়না লেপ্পখি। য়ুনিট অসিগী কুমজা ২০১৭-১৮ কী থৌ পুনবা এল মনিলৈমবু প্রসিদেন্ট, কে ঐচ সনায়ানবীবু সেক্রেটরি জেনরেল, পি ঐচ মেম্মাবু সেক্রেটরি ফাইনান্স অমসুং বি জয়লক্ষ্মীবু ইনাফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি ওইনা খনখ্রে হায়না কাদাগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটিগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ককচীংতাবম হরিচন্দ্রনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## প্রি-পি ঐচ দি এন্ট্রান্স টেষ্ট

ইম্ফাল, নবেম্বর ২০(ঐচ এন এস): দিপার্টমেন্ট ওফ ফোরেষ্ট্রি এন্দ ইনভাইরোনমেন্টেল সাইন্সকী প্রি-পি ঐচ দি এন্ট্রান্স টেষ্টকী মতম লেপ্লে হায়না দিপার্টমেন্ট অসিগী হেদনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। ক্বালিফাইয়িং এন্ট্রান্স টেষ্ট থা অসিগী ২২গী অয়ূক পুং ১১.৩০ তাবদা দিপার্টমেন্ট ওফ ফোরেষ্ট্রি এন্দ ইনভাইরোনমেন্টেল সাইন্স এম য়ুদা পাঙথোক্কনি। ক্বালিফাইয়িং এন্ট্রান্স টেষ্ট ক্বালিফাইদ ওইরবা কেন্দিদেটশিং অমসুং ক্যু ঈ টি এগজেমটেদ কেন্দিদেটশিংগীনা থা অসিগী ২৪ অমসুং ২৫ সা পাঙথোক্কনি হায়রি।